
# মেসি, রোনাল্ডো, নেয়মারনা য়ু ঈ এফ এ ২০১৫ গী টিম ওফ দ ইয়রদা য়াওরে





ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারি ১০ঃ বার্সেলোনাগী শান্নরোয়শিংনা নম্মা য়াওরবা কুমজা ২০১৫ য়ু ঈ এফ এগী টিম ওফ দ ইয়র হৌখিবা ইরাই নুমীৎতা লাউথোকখিবা অদুদা ফিফা বেল্লুন দ'ওরগী ফাইনেলিষ্ট অর্জেন্টিনাগী লিওনেল মেসি, পোর্টুগালগী খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো অমসুং ব্রাজিলগী নেয়মার য়াওখ্রে।

য়ু ঈ এফ এ দোট কোমগী অসর মিল্লিয়ন ৭.২ না ভোট পীদুনা শান্নরোয় ৪০ গী শোর্টলিষ্টতগী খনগৎখিবা ফাইনেল এলেবেনগী টিম অদুদা স্পানিশ প্রেমিয়র দিভিজন লা লিগাগী শান্নরোয় নিপান য়াওবা ঙমখি।

য়ু ঈ এফ এ ২০১৫ গী টিম ওফ দ ইয়ারদা বার্সেলোনাগী শান্নরোয়শিংনা মশীং য়াম্না য়াওবা ঙমখিবা অসি লা লিগা, কোপা দেল রেয় অমসুং য়ু ঈ এফ এ চেম্পিয়ন্স লীগকী টাইটলশিং লৌবা ঙমখিবা অদুনা ওইখি।

মতাং অসিদা য়াম্না পূক্নিং চিংশিন্নিংঙাই ওইরিবা অমনা লিষ্ট অদুদা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী শান্নরোয় অমত্তা য়াওবা ঙমখিদবা অসিনি। লিষ্ট অদুনা মেসি অমদি নেয়মারদা নত্তনা অতোপ্পা বার্কাগী প্লেয়রশিং দানি অলভস, জেরাদ পিগ অমসুং এন্দ্রেস ইনিষ্টা য়াওরি। লিষ্ট অদুদা বর্কাগী অকনবা লম্বা ওইরিবা রিয়েল মেদ্রিদতগী প্লেয়র অহুমসু য়াওরি। মখোয় অদুদি রোনাল্ডো, সর্গিও রামোস অমদি জেমস রোদ্রিজনি। দ্রিম টিম হায়রগা খঙনরিবা য়ু ঈ এফ এ ২০১৫ গী টিম ওফ দ ইয়রদা রোনাল্ডোনা হন্দক অমুক্কা য়াওবা ঙম্বসি রেকোর্দ ওইনা ১০ রক শুবা ওইরে।

বুন্দেসলিগা চেম্পিয়ন্স বার্য়ন মুনিক্কী গোল কিপ্পর মেন্যুএল ন্যুর অমদি দিফেন্দর দেভিদ অলাবানা জর্মনিগী রিপ্রজেন্ট তৌরি। অদুগা জুভেন্টসকী পাউল পোগবানা ইটালিগী সেরি এগী মহুৎ শিনবা ওইনা য়াওরি। ব্রাজিলগী নেয়মার য়াওনা রোদ্রিজ অমদি পোগবানা য়ু ঈ এফ এ ২০১৫ গী টিম ওফ দ ইয়ারদা য়াওবা মখোয়গী কেরিয়ারগী অহানবসু ওইরে।

টিমদা য়াওরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি গোলকিপ্পরদা মেন্যুএল ন্যুর (বয়ার্ন মুনিক অমদি জর্মনি)। দিফেন্দরদা দেভিদ অলাবা (বয়ার্ন মুনিক অমদি ওষ্ট্রিয়া), সর্গিও, রামোস (রিয়েল মেদ্রিদ অমদি স্পেন), দানি এলভস (বার্সেলোনা অমদি ব্রাজিল), জেরার্দ পিগ (বার্সেলোনা অমদি স্পেন)। মিদ ফিল্ডরদা এন্দ্রেস ইনিষ্টা (বার্সেলোনা অমদি স্পেন), পাউল পোগবা (জুভেন্টস অমদি ফ্রাঞ্চ), জেমস রোদ্রিজ (রিয়ল মেদ্রিদ অমদি কলম্বিয়া)। ফোরবার্দসতা লিওনেল মেসি (বার্সেলোনা অমদি অর্জেন্টিনা), নেয়মার (বার্সেলোনা অমদি ব্রাজি) অমসুং খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো (রিয়েল মেদ্রিদ অমদি পোর্টুগাল) নি।

# পেসর মোহম্মেদ শামি শোকপদগী ইন্দিয়ন এলেভেন্দগী লৌথোকখ্রে, ভুবনেশ্বর হাপচিল্লকখ্রে

ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারি ১০ঃ

অশোকপনা মরম ওইদুনা থা ৯ শান্নবা য়াওদনা পোত্থাদুনা লৈরুরবা মতুং নেসনেল টিমদা হল্লকখিবা ইন্দিয়াগী প্রেমিয়র পেসর মোহম্মেদ শামি মহাক্কী হামষ্ট্রিং শোকপনা মরম ওইদুনা টিমদগী লৌথোকখিবদগী ওষ্ট্রেলিয়াগা মায়োক্ন দুনা শান্নগদৌরিবা ও দি আই সেরিজগী মাঙওইননা ইন্দিয়ন টিমদা অচৌবা শাফু অমা মায়োক্নরে।

ইন্দিয়াগী ওষ্ট্রেলিয়াদা চৎকদবা টুরদা বোলর মোহম্মেদ শামি অশোকপনা মরম ওইদুনা শরুক য়াবা ঙম্লরোই হায়না বি সি সি আইগী মেদিকেল টিম্না কনফার্ম তৌখি। থাংজ নুমীৎতা শামিনা মহাক্কী ওইথংবা হামষ্ট্রিংদা গ্রেদ টু ইঞ্জুরি লৈরি হায়না ফোঙদোকপা লৈখি। অশোকপা অসিনা মরম ওইদুনা বেঙ্গলগী পেসর অসিনা থা ৪ দগী ৬ ফাওবা এক্টিব ক্রিকেট শান্নবা ঙমখিরোই হায়রি।

চৈরক অসিদা মোহম্মেদ শামিগী মহুত্তা ভুবনেশ্বর কুমারবু হাপখ্রে। মমাঙদা শামিনা ব্রেষ্টন ওষ্ট্রেলিয়া এলেবেনগা শান্নখিবা মেচকী মাঙওইননা প্রেক্টিস তৌবদা মহাক্কী হামষ্ট্রিং অদু শোকখি। মেচ অদু ইন্দিয়ানা য়াম্না লায়না মায় পাকখি। মহাক্কী অশোকপা অদুনা মরম ওইদুনা শামিনা বোল লংবা ঙমখিদে।





গুজরাটকী পেসর জাস্প্রিট বুমরাহবু ইন্দিয়া সেরিজগী ওষ্ট্রেলিয়াগা মায়োক্নদুনা শান্নগদবা অসিদা ষ্টেন্দ-বাই ওইনা বি সি সি আইনা হাপখ্রে।

রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না বুমরাহবু মোহম্মেদ শামিগী মহুৎতা খনখি, অদুমকপু ইন্দিয়ন ক্রিকেট বোর্দনা ভুবিবুসু খনগৎখি।

কুমজা ২০১৫ গী মার্চ থাদা পাঙথোকখিবা আই সি সি ২০১৫ ৱর্ল্ড কপতা শামিসু শরুক য়াখি। থা ৮ গী মমাঙদা শামিনা মহাক্কী খুকউ সর্জরি তৌখি। শামিগী অশোকপা অসিনা ইন্দিয়ন টিমদা অচৌবা চম্মনবা অমা মায়োক্নখিবগা লোয়ননা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা বোলর অমা টিমদা য়াওররোইদবদা নীংহন্নবসু লৈরে। শামিনা হন্দক্তা বেঙ্গলগীদমক ভিজয় হজারে ট্রোফিদা শান্নখিবনি।

# অজারেঙ্কানা ব্রিসবেন ইন্টরনেসনেলগী টাইটল লৌখ্রে



ব্রিসবেন, জন্যুৱারি ১০ঃ

বেলারুসকী টেনিস প্লেয়র ভিক্তোরিয়া অজারেঙ্কানা ৱর্ল্ড রেঙ্কিংগী তরাশুবা মফমদা লৈরিবী জর্ম্মনগী এঞ্জেলিগ কারবরবু ষ্ট্রেট সেটতা ৬-৩, ৬-১ দা ঙরাং মফম অসিদা শান্নখিবা ব্রিসবেন ইন্টর্নেসনলগী ৱিমেন'স সিঙ্গলস ফাইনেলদা মায়থিবা পীদুনা অনীরকশুবা ওইনা ইভোনি গুলাগোং কাওলি ট্রোফিকী মপু ওইখ্রে।

দল্লিয়ু টি এগী অরোইবা ওইনা টাইটল লৌখিবা চহী অনী মখায়মুক্কী মতুংদা ঙরাং শান্নখিবা ব্রিসবেন ইন্টনের্সনলগী ৱিমেন'স সিঙ্গলস ফাইনেলদা অজারেঙ্কানা এঞ্জেলিগ কারবরবু ষ্ট্রেট সেটতা য়াম্না লায়না মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখি। অজারেঙ্কানা অহানবা ওইনা ব্রিসবেন ইন্টর্নেসনল টাইটল হৌখিবা চহী তরেৎকী মমাঙদা লৌবা ঙমখ্রে। হন্দক্কী অসি থারগা মহাক্না টাইটল অসি লৌবা অনীরকশুবনি।

ব্রিসবেন ইন্টর্নেসনলগী ফাইনেলদা মশক থোক্লা শান্ননবগী ইথিল পীখিবা ওপোনেটবু থাগৎলদুনা অজারেঙ্কানা হায়খি, ঐখোয়না মতম পুম্নমক্তা ফজনা শান্নে। ওপন অসিগী ফাইনেল মেচতা নংনা ঐবু মশক থোক্লা শান্নহন্নবগী ইথিল পীখিবা অদু তশেংনা থাগৎলি অমদি অপেনবা পোকই। মতুংদসু হেন্না ফজবা পার্ফোমেন্সশিং পীদুনা শান্নরক্নি হায়না থাজৈ হায়বা ৱাফম মহাক্না থমখি।

ব্রিসবেন ইন্টর্নেসনলদা অহানবা ওইনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা এঞ্জেলিগ কারবরনা হায়, অজারেঙ্কানা য়াম্না ফজনা শান্নখি। ঐনা মহাক্না মায়োক্নদুনা শান্নখিবদা অমুক্তা ফাওবা মায় পাকপা ঙমদ্রি অদুবু ঐনা মায় পাকপা নুমীৎসু লাকখিনি হায়বা থাজৈ হায়খি।

অমরোমদা, ব্রিসবেন ইন্টর্নেসনলগী ৱিমেন'স দবলস ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী সানিয়া মিরজা অমসুং মহাক্কী জুরা ওইরিবী স্বিসকী মার্টিনা হিঙ্গিসনা জর্মনগী এঞ্জেলিগ কারবর অমদি এন্দ্রি পেটকোভিনপু ৭-৫, ৬-১ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে। নুপীগী দবলসতা ৱর্ল্ডগী টোপ রেঙ্কতা লৈরিবী সানিয়া অমদি হিঙ্গিসনা জর্মনগী জুরাবু পুং অমা চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা মায়থিবা পীদুনা চহী অসিগী অহানবা টাইটল লৌবা ঙমখি।

পনবা য়াই, সানিয়া মিরজা অমসুং মার্টিনা হিঙ্গিস অনীনা ঙরাংগী মায় পাকখিবা অসি থারগা থংন-থংননা মায় পাকপা মেচ ২৬ শুরে। মসি কুমজা ১৯৯৪ দা গিগি ফার্নান্দেজ অমদি নটাসা ভেরেভানা মেচ ২৮ লক মায় পাকপগী রেকোর্দ থমখিবা অদু য়ৌগদবা মেচ অনীখক্তমক ঙাইরে।

কুমজা ২০১৫ দা মার্টিনা হিঙ্গিসনা জর্মনিগী সাবাইন লিসিক্কিগা জুরা শেমদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌখি অদুগা সানিয়া মিরজানা কুমজা ২০১৩ দা অমেরিকাগী বেথানি মাটেক সেন্দসকা পাদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী দবলস টাইটল লৌখিবনি।

# আই লীগ ঃ মোহন বগাননা মিজোরাম এফ সিবু, বেঙ্গলুরুনা সালগাওকর এফ সিবু মায়থীবা পীখ্রে



ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারি ১০ঃ

চৎলিবা চহী অসিগী আই-লীগ হৌখিবগা লোয়ননা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন মোহন বগাননা নৌনা আই-লীগতা য়াওররুপা মিজোরাম এফ সিবু ভিদ্যাশাগর করিরঙ্গন, বারাসটতা শান্নখিবা মেচতা ৩-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মমাঙ চহীগী এদিসন্দা রন্নর্স-অপ তাখিবা বেঙ্গলুরু এফ সিনা য়ূম্বু ওইরিবা সালগাওকরবু ভাস্কোদা শান্নখিবা মখোয়গী অহৌবা মেচতা ২-১ দা থোইদুনা মায় পাকখ্রে।

বেঙ্গলুরু এফ সিনা মেচকী অয়াম্বা মতমদা দোমিনেট তৌদুনা চৎখিবগা লোয়ননা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং ফংখি। মখোয়না য়ূম্বুগী মায়কৈদা চঙশিনখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৫ চৎপা মতমদা সি কে ভিনীথনা গোল অমা চন্দুনা মাঙজিল থানা চৎখি। বেঙ্গলুরুনা গোল চনখিবগী তপথদ্রবা সালগাওকরনা কাউন্টর এটেকশিং চৎখি। মখোয়গী অকনবা শাফু অমদা দেরেয়ল দুফিনা মেচকী মিনিট ৪১ চৎপা মতমদা গোল অমা ইক্কেলাইজ তৌদুনা ১-১ দা চাং মান্ননা লৈখি। ফাষ্ট হাফ ফাওবদা টিম অমত্তনা অহেনবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈখি।

সেকেন্দ হাফতা বেঙ্গলুরুনা সালগাওকরগী সাইদতা অহেনবা গোলগীদমক এটেক তৌখি। মখোয়গী এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৬০ চৎপা মতমদা সুনিল ছেত্রিনা ফ্রী কিক অমদা নিংথিনা কাওখিদুনা গোল ওন্থোক্তুনা ২-১ দা মায় পাকখি।

অতোপ্পা মেচ অমদা বগানগী নৌনা চঙলকখিবা কোর্নেল গ্লেননা মেচকী মিনিট ৫ চৎপা মতমদা গোল অমা চন্দুনা য়াম্না ঙন্না মাঙজিল থানা চৎখি। গ্লেননা অমুকসু হন্না মেচকী মিনিট ২১ চৎপা মতমদা গোল অমগা চনবা ঙমখি। টিম অসিগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা বালৱন্ট সিংহনা টিমগী অহুমশুবা গোল চনখি। অদুমকপু মখোয়গী দিফেন্দর কোটালনা শোইবদগী ওন গোল অমা চন্দুনা মিজোরামগীদমক গোল অমা পীথোকখি।

মেচ অদুদা মিজোরামসু গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং ফংখি অদুবু চনবদি ঙমখিদে। সেকেন্দ হাফতা নহা ওইরিবা মিজোরামগী প্লেয়রশিংনা বগানগী সাইদতা অকনবা এটেকশিং তৌখি। অদুবু এটেকশিং অদুগী কান্নবদি ফংবা ঙমখিদে। বগাননা মায় পাকখিবা অসিনা পোইন্ট অহুম ফংবা ঙমখ্রে।

# শিল্লোংদা বেদমিন্টন কম্পিটিশন পাঙথোক্লগনি

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারি ১০ঃ সাউথ এসিয়ন গেমসকী ১২ শুবা এদিসন্দা লৈরম্বা লৈতাদবা ফীভম অদু মেঘালয়াগী চীফ মিনিষ্টর মুকুল সঙ্মা অমসুং য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট, য়ুঠ এফেয়ার্স এন্দ স্পোর্টস সার্বানন্দা সোনোৱালগা টেলিফোন্দা ৱারী শান্নখ্রবা মতুং লোইশিনখ্রে।

মল্টি-স্পোর্টিং ইভেন্ট অসি মেঘালয়ানা কো-হোষ্ট ওইরম্বদগী মসিগী কোনুং শিল্লোংদগী বেদমিন্টন মশান্নবু গুৱাহাটিদা হোংদোকখিবদগী গেম অসিগী য়ূম্বু ওইনবা নৌনা খন্নরগনি হায়না মেঘালয়া গভর্ণমেন্টনা কিহনখিবনি। ওইরক্লিবা ফীভম অদুদা সোনোৱালনা চীফ মিনিষ্টর মুকুল সঙমাদা টেলিফোন তৌরক্তুনা লৈরিবা ফীভম অদুগী সোলুসন পুরক্নবা ৱারী শান্নখি।

চীফ মিনিষ্টরনা জানুৱারি ১১ দা গেমস অসিগী এক্সিক্যুটিব কম্মিটিগী মীফম অমা গুৱাহাটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা ষ্টেটকী রিপ্রজেন্টেটিবশিংদা বোয়কোট তৌনবা খঙহনখিবা অদুগী মতুংদা সোনোৱালনা সঙমাদা টেলিফোন তৌরকখিবনি। ৱারী শান্নখিবা অদুদা বেদমিন্টনগী ইভেন্ট অসি শিল্লোংদা ওইনা পাঙথোক্নবা কনফার্ম তৌখি।

ওইরক্লিবা দিভলপমেন্ট অদুগী মতাংদা মেঘালয়া ওলেম্পিক এসোসিএশন (এম ও এ) গী প্রসিদেন্ট জোন এফ খারশিংনা হায়খি, হান্না সেদ্যুলদা য়াওখিবা অদুমক অহোংবা লৈতনা শিল্লোংদা বেদমিন্টন ইভেন্ট পাঙথোক্লগনি হায়না মেঘালয়া গভর্ণমেন্টনা ঐখোয়দা খঙহল্লক্লে। লোয়ননা মেঘালয়াগী ওফিসলশিংনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা গুৱাহাটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা এক্সিক্যুটিব কম্মিটগী মীফমদা শরুক য়ারগনি হায়খি।

অতোপ্পা ওফিসল অমনা হায়, হৌজিক্তি মেঘালয়ানা সাউথ এসিয়ন গেমস (এস এ জি) বু কো-হোষ্ট ওইবদগী ৱিথদ্রো তৌররোই। হৌজিক চয়েৎনবা লৈরম্বা খুদিংমক লৈখায় তরে হায়খি।

পনবা য়াই, নোর্থ হিল য়ুনিভর্সিটি শিল্লোংদা লৈরিবা সাই স্পোর্টস সেন্টরগী মল্টি পর্পজ ইন্দোর ষ্টেদিয়ম অসি বেদমিন্টন এসোসিএশন ওফ ইন্দিয়া (বি এ আই) না য়েংশিনখিবদা মৈগী ফীভম মতিক চাদবা অমদি ৱার্ম-অপ তৌনবা কোর্টকী ৱুদন ফ্লোরিং মতমগা চুনদবনা ইভেন্ট অসি পাঙথোকপদা খুদোংচারোই হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

নেসনেল বেদমিন্টনগী কোচ পুল্লেলা গোপিচান্দনা ঙরাং ন্যু দেল্লিদগী ফ্লাইটতা শিল্লোংদা লাক্তুনা মেঘালয়াগী কেপিটেলদা লৈরিবা ভেন্যুদা চৎতুনা য়েংশিন্নবা থৌরাং তৌখ্রবসু দেল্লিগী ঈশিং নুংশিৎকী ফীভম ফত্তবা অমদি লৈচিল য়াম্না থাবনা ফ্লাইট কেন্সেল তৌবদগী খোঙচৎ অদু তোকথোকখি।

# অগনিজকা রাদৱনস্কানা শেনজেন ওপন টাইটল লৌখ্রে



শেনজেন, জন্যুৱারি ১০ঃ

অগনিজকা রাদৱনস্কানা ঙরাং মফম অসিদা শান্নখিবা শেনজেন ওপন দল্লিয়ু টি এ ফাইনেলদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী অলিসন রিস্কেবু য়াম্না লায়না ৬-৩, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

টোপ সীদেদ পোল অসিনা হৌখিবা শিজনদা লৈখিবা মশক থোকপা ফোর্স অদু মখা তানা চখৎরক্তুনা শিঙ্গাপুরগী দল্লিয়ু টি এ ফাইনেল য়ৌবা ঙমদুনা মায় পাকখি। মহাক্না মমাঙ শিজনদা টোকিয়োগী টিয়াঞ্জিনদা পাঙথোকখিবা টেনিস কম্পিটিসনগী টাইটলসু লৌখি।

রাদৱনস্কানা চৎলিবা থা অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী মাঙওইননা ৱর্ল্ড রেঙ্কিংগী মরিশুবা মফমদা লৈবা ঙম্নবা হোৎনরিবনি। রাদৱনস্কানা মহাককী কেরিয়রগী ১৮ শুবা টাইটল অসি লৌখিবদা এসেস মাপন সার্ভ তৌখি অমদি মহাক্না মায়োক্নখিবা ব্রিক পোইন্ট অনী সেভ তৌখি।

রেঙ্ক ৯৭ শুবদা লৈরিবা রিস্কেনা মহাক্কী অমত্তা ঙাইরবা দল্লিয়ু টি এ টাইটল অদু কুমজা ২০১৪ দা টিয়াঞ্জিনদা লৌখি।

# পি সি সি ময়ায় কোয়বী অমসুং দল্লিয়ু সি এগী মেচ দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল, জানুৱারি ১০ঃ

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন্না শিন্দুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা অনীশুবা প্লেট ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৪-১৫ গী ঙসি পি সি সি ময়ায় কোয়বী অমসুং দল্লিয়ু সি এ তেরা অনীনা শান্নগনি তৌরম্বা মেচ অদু নোংনা মরম ওইদুনা গ্রাউন্দগী ফীভম ফত্তবদগী মেচ শান্নখিদ্রে।

ঙসিগী মেচ অসিদা শান্নগদবা পি সি সি ময়ায় কোয়বী অমসুং দল্লিয়ু সি এ তেরাগী টিমনা পোইন্ট য়েন্নখি। লোয়ননা চত্থরিবা প্লেট ক্রিকেট অসিগী সেমী ফাইনেল লাইন অপসু লোইখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১২ অমসুং ১৩ দা সেমী ফাইনেল শান্নরগনি।

টিম ১৩ না গ্রুপ অনীদা শরুক য়াদুনা চত্থরল্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ এদা থাওনা মেচ মঙা শান্নখিবদা মঙামক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ২০ ফংখি। ওস্কার পাওনা বজারনা মেচ মঙা শান্নখিবদা মেচ অহুম মায় পাকখি। মেচ অনীনা মায়থীদুনা পোইন্ট ১২ ফংলগা অনীশুবা তাদুনা সেমী ফাইনেল চঙখি।

অমরোমদা গ্রুপ বিদা পি টি আর সি পাৎশোইনা মেচ তরুক শান্নখিবদা তরুকমক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ২৪ ফংলগা গ্রুপকী ৱিন্নর ওইদুনা সেমী ফাইনেল চঙখি। নবসা খা ইম্ফালনা মেচ তরুক শান্নখিবদা মেচ মঙা মায় পাকখি। মেচ অমনা মায়থিদুনা পোইন্ট ২০ ফংলগা গ্রুপকী রন্নর ওইদুনা সেমী ফাইনলে চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ থা অসিগী ১২ দা থাওথাংমৈবন্দ অমসুং নবসা খা ইম্ফালগা শান্নগনি। অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেচ থা অসিগী ১৩ দা পি টি আর সি পাৎশোই পার্ট ৱান অমসুং ওস্কার পাওনা বজারগা শান্নরগনি।

HL-P/3928/24,28,4,7,11,14,18

## চেছ টিম শেল্লগনি

ইম্ফাল, জানুৱারি ১০ঃ উরিষাগী কোনুং ভুবনেশ্বরদা হন্দক পাঙথোক্ক-দৌরিবা ৩৬ শুবা নেসনেল টিম চেছ চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ অমসুং ১৪ শুবা নেসনেল টিম চেছ চেম্পিয়নশিপ ফোর ৱিমেন ২০১৬ কীদমক মণিপুর চেছ টিমশিং শেল্লগনি হায়রি।

মণিপুর চেছ এসোসিএশন্না ওর্দিনরি টিম অনী অমসুং স্পিসিএল টিমশিং শেমগদৌরিবা অসিদা শরুক য়ানিংবা চেছ শান্নরোয়শিংনা থা অসিগী ১২ ফাওবগী মনুংদা মণিপুর চেছ এসোসিএশন্দগী অকূপ্পা মরোল খঙলবা য়াগনি হায়না মণিপুর চেছ এসোসিএশনগী চেরোল অমনা হায়রি।

## সাইক্লিংগী ট্রাইএল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জানুৱারি ১০ঃ

মথং থাগী ২৪ দগী ২৭ ফাওবা কেরলাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২০ শুবা সেনিয়র, জুনিয়র অমসুং সব জুনিয়র নেসনেল রোদ সাইক্লিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ তা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদবা সাইক্লিষ্টশিং খন্নবগী ট্রাইএল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ১৭ তা পাঙথোক্লগনি।

মণিপুর সাইক্লিং এসোসিএশন্না শিন্দুনা থা অসিগী ১৭ তা অৱাং খুনৌ লমখায় এন সি রোদতা পাঙথোক্কদৌরিবা ওপন সেলেক্সন ট্রাইএল অসিদা শরুক য়ানিংবা নুপা অমসুং নুপী রাইদরশিংনা মণিপুর সাইক্লিং এসোসিএশনগী সেক্রেটরি ঐচ বিক্রমদা থা অসিগী ১৭ ফাওবগী মনুংদা লাক্তুনা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

## কোচিং য়াওগদবা হোকি শান্নরোয় খনখ্রে

ইম্ফাল, জানুৱারি ১০ঃ

মণিপুরনা য়ূম্বু ওইদুনা ইম্ফালদা মে থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা সব জুনিয়র অমদি ছটিশগরগী রাইপুরদা এপ্রিল থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা জুনিয়র মেন'স হোকি চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ তা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদবা হোকি শান্নরোয় ৬২ কোচিং য়াওনবগীদমক খনখ্রে।

কোচিং অসিগী দিরেক্টর ওইনা ৱর্ল্ড কপ্পর এল টিকেন, জুনিয়র টিমগী কোচ ওইনা এম রিনাস (এস আই এস) অমদি সব জুনিয়র টিমগী কোচ ওইনা কে এস ঐচ উমাশঙ্করবু ষ্টেট কোচ ওইনা খনখ্রে।

ফেজ নাইনা পাঙথোক্কদৌরিবা কোচিং প্রোগ্রাম অসি ৱর্ল্ড কপ্পর এল টিকেনগী অকনবা মিৎয়েং মখাদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

ꯕꯩꯒꯡꯖꯦ ꯑꯣ ꯕꯩꯒꯡꯖꯦ
BRAINOBRAIN
Lamlong/ Kwakeithel/ Nagamapal
For Kids of age 5 to 14 yrs.
ADMISSION OPEN
Class only on Sundays
Class Start 17 Jan 2016
Learn Advance Abacus Method & Neurobics on Sunday to Improve Memory Power, Learning Ability & Mathematical Skills.
FOR REGISTRATION CONTACT
9615412398/ 7308915586
* Wanted 5 Lady Faculty & 2 Rhyme Teachers with a minimum experience of one year
Qualification : Graduate with fluency in English
Please Submit your Resume on or before 14-01-2016
Please visit the office only on Sundays at their respective centres or visit BOB Nagamapal Soram Leirak between 11:30 a.m. to 7:30 p.m.
HL-P/4033/8/01-22/01

B.C.C. Manipur
Under the guidance of BOSEM/CHOSEM Estd. 1995
KAKWA ASEM LEIKAI, NEAR OIL PUMP
The Longest Coaching Centre in Manipur & 20 years service
Run by Resource Persons and Examiners of BOSEM & COHSEM
ADMISSION OPEN
CLASS X, XI & XII Sc REVISION COURSE
(Separate class - CBSE & COHSEM)
Sub: X (All subject), XI & XII Sc (Phy, Che, Bio, Maths, Eng, Compt. Sc)
CLASS HAS JUST STARTED
CLASS IX & X FOUNDATION COURSE 2016-17
CLASS STARTS ON : 18th JAN. 2016 LAST DATE : 16th JAN. 2016
Class Timing : (Either morning or evening students can join in both classes)
Morning (5:30 to 8:00) a.m.
Evening (4:30 to 7:20) p.m.
Please Contact : Office of the BCC Manipur Elite Senior Sec. School Building
Hostel & Van Service facilities # 8731833072 / 9856279435
HL-B/2879/6/01-5/Feb

TOPPERS TUTORIAL
Sega Road Takhel Leikai, Opposite Hueiyen Lanpao Office, Airport Road (West), Imphal-795001
HSLCE 2015
2nd Rank G. Gopalkrishna Sharma
6th Rank S. Gyanendro Singh
10th Rank Shalini Abujam
14th Rank Nelshon Yumnam
14th Rank Bidyasagar Thounaojam
17th Rank Md. Chaoba
17th Rank Thajamanbi Saikhom
24th Rank L. Amarjit Singh
25th Rank P. Ajoy Singh
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE FOR CLASS X (BOSEM)
FACULTY : RESOURCE PERSONS Commencing on : 14 January 2016 Class Timing : 4:30 p.m. - 7:30 p.m.
MANIPURI (MM) SPECIAL 3½ MONTHS COURSE
Tutor : Takhelchangbam Indrakumar Singh
Tutor of Jibita Okram (LFS) Subject Topper Manipuri (MM) HSLCE 2015, Marks : 97
COMMENCING ON : 1 FEBRUARY 2016 TIMING : 4:30 a.m. - 5:30 a.m.
Bond with the Best For Admission please contact Toppers Tutorial Office from 11 a.m. to 4 p.m.